## ফ্রেন্স ওপন টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

# লৈবাকপোকপা নুমিৎকী তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংগী শান্নবসু নোংনা মপুং ফাহনবা ঙমখিদ্রে



পেরিস, মে ৩১ ঃ

ফ্রেন্স ওপন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট চহী ১৬ কী মতুংদা অহানবা ওইনা নোংমগী ওইবা শান্নগদবা মেটচশিং য়েথোকখ্রবা মতুং ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নোং হাংবদগী মেটচ মখা তানা চথরকখিবা অদুসু মপুং ফাবা ঙমদ্রিঙৈদা নোং অমুক তাশিল্লকপদগী লেপখ্রে।

টুর্নামেন্ট পাঙথোকফম অসিগী সেন্টর কোর্ট ওইরিবা ফিলিপ চার্টিয়র কোর্টনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসকা স্পেনগী বাটিষ্টা আগুটকা শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু শান্নরোই অনীমক সেট অমমম থোইনরগা অহুমশুবা সেট অদু জোকোভিসনা গেম ৪-১ দা মাঙজিল থারিঙৈ নোংনা মরম ওইরগা শান্নবা য়াখিদবনি।

অহানবা সেট অদু স্পেনগী শান্নরোই আগুটনা ৬-৩ দা জে াকোভিসপু থোইখি। অদুগা অনীশুবা সেটতনা জোকোভিসনা ৬-৪ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখিবনি। অহুমশুবা সেটতা জোকোভিসনা গেম ৪-১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈদা মেটচ অদু লেপখিবনি।

সুজেন-লেংলেন কোর্টতা শান্নখিবা অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলসকী ৪ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেনগী দেবিদ ফেরর অমসুং জেক রিপব্লিক্কী তোমাস বর্দিসকী মেটচ অদু অহানবা সেটতা ফেররনা গেম ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈ নোংনা শান্নবা য়াদবদগী লেপখিবনি।



কোর্ট নম্বর ৱানদা অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস মেটচ অমদা বেলজিয়মগী দেবিদ গোলফিন অমসুং লাটভিয়াগী ই গুলবিসনা শান্নখিবা মরীশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু লাটভিয়াগী শান্নরোই গুলভিসনা অহানবা সেট অদু গেম ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈদা নোংনা মরম ওইরগা লেপখিবনি।

কোর্ট নম্বর টুদা অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস মেটচ অমদা স্পেনগী এম গ্রানোলর্স অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী দি থিয়েমগা লম্বা তৌনবদা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি। অহানবা সেট থিয়েমনা ৬-৩ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদু গ্রানোলর্সনা টাই ব্রেক্তা ৭-৬ (৭-২) দা থোইদুনা মখোয় অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখিবনি।

কোর্ট নম্বর থ্রিদা নুপীগী দবসলকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনিজ তাইপৈগী ঐচ সি চান অমসুং ৱাই জে চানগা রুসিয়াগী জুরা একাটেরিনা মকারোভা অমসুং এলিনা ভেসনিনাগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট রুসিয়াগী জুরা অদুনা ৬-১ দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা সেট অদু চাইনিজ তাইপৈগী জুরা অদুনা গেম ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈ নোংনা মরম ওইরগা শান্নবা লেপখি।

নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং পোলেন্দগী মাটকোসস্কিবু বোব অমসুং ব্রাইন ফাইবোক্লা অহানবা সেট অদু গেম ৪-৩ দা মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

### য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১০০ ফংবা অহানবা শান্নরোই জোকোভিসনা ওইগদৌরে

*পেরিস, মে ৩১ঃ*

নুপাগী টেন্নিসকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরিবা সর্ভিয়া মচা নোবাক জোকোভিসনা শেলগী মনা ওইনা য়ু এস দোল্লর মিলিয়ন ১০০ ফংবা অহানবা শান্নরোই ওইগদৌরে।

জোকোভিসনা মশাগী কেরিয়রগী অহানবা রোলান্দ গেরোস টাইটল ফংনবা হোৎনরকপদা করিগুম্বা মহাক্না নোংনা মরম ওইদুনা শান্নবা লেপখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা স্পেনগী বাটিষ্টা আগুটপু মায়থিবা পীবা ঙম্লবদি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা য়ুএস দোল্লর মিলিয়ন ১০০ গী শেলগী মনা অদু ফংবা অহানবা টেন্নিস শান্নরোই ওইগদৌরিবনি।

## বিসিএ ইন্দোনেসিয়া ওপন ২০১৬

# সিঙ্গলসতা সাইনা নেহৱাল অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে মিক্স দবলসদা মনু অত্রি অমদি আস্বিনি পোনাপ্পা অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে




জকারটা, মে ৩১ ঃ

ঙসিদগী হৌখিবা বিসিএ ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরিবা সাইনা নেহৱাল অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে অদুগা মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং আস্বিনি পোনাপ্পা অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।

ঙসি হৌখিবা বিসিএ ইন্দোনেসিয়া ওপন অদুদা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোই ওইরিবা সাইনা নেহৱালনা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই পাই পু পোগা লম্বা তৌনখি। মদুদা শান্নরোই অনীমক্না লম্বা মান্ননা শান্নবা হৌরকখি।




অহানবা গেম অদু ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা পোইন্ট ২১-১১ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা গেম চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই পাই পুপোনা পোইন্ট ২১-১৯ দা থোইখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা য়াম্না অহেনবা মশান্না উৎতুনা পোইন্ট ২১-১৫ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী জুরা মনু অত্রি অমসুং আস্বিনি পোনাপ্পা সিঙ্গাপোরগী জুরা য়োং কাই টেরি হি অমসুং ৱৈ হান তানগী মখুত্তা গেম ২-০ দা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা গেম অদুদা সিঙ্গাপোরগী জুরা অদুদা পোইন্ট ২১-১৪ দা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুদদি ইন্দিয়াগী জুরা অদুগী মায়কৈদগী য়াম্না কনবা লম্বা পীরবা মতুং সিঙ্গাপোরগী জুরা অদুনা পোইন্ট ২৭-২৫ দা মেটচ অদু থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখি।

# অহানবা মেটচ ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে



দারৱিন, মে ৩১ ঃ

ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা লৈবাক ৪ গী নুপীগী হোক্কিগী ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা মেটচতা ন্যু জিলেন্দনা পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপদা মফম অদুগী য়াম্না শাবগী ফিভম অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা দিফেন্স ওইবা মওংদা শান্নবা হৌরকখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌবা ঙমদুনা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিং অদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এটেক চথবা হৌরকখি। মদুনা মরম ওইরগা শান্নবগী ৬ শুবা মিনিটকী মনুংদা পেনাল্টি কোর্নর অনী ফংখি। ইন্দিয়াগী গোলকিপর সবিতানা পেনাল্টি কোর্নর অনীমক ঙাকথোক্তুনা পাঞ্জল চল্লহন্দবা ঙমখি।

ন্যু জিলেন্দনা মেটচ অদুগী বোল কন্ট্রোল তৌদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এটেক চথবগী চাং হেনখি। অমরোমদা ইন্দিয়ানা কাউন্টর এটেক্কী তাঞ্জা য়েংদুনা লৈখি।

১১ শুবা মিনিটতা সবিতানা ন্যু জিলেন্দগী পিপা হেৱার্দনা য়েশিল্লকপা বোল অমসু ঙাকথোকপা ঙমখি। মেটচকী অনীশুবা ক্বার্টরদা ন্যু জিলেন্দগী মখা তানা চথরকপা এটেক অমদা পিপা হেৱার্দনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা শান্নবগী ১৮ শুবা মিনিটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

হাল্ফ লোইরবা মতুংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মমাঙদা শান্নখিবা অদুগী হেনগৎনা শান্নদুনা ইক্কেলাইজর অদু ফংনবা হোৎনখি। অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদ্রবসু ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী মরিশুবা ক্বার্টরদা হেৱার্দনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ৪৭ শুবা মিনিটতা চনখি অদুগা অনিতা মেক্লারেন অমসুং পেত্রা ৱেফস্টরনা ৫১ অমসুং ৫৩ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অনী চনশিন্দুনা ৪-০ দা লৈখি। অদুবু শান্নবগী অরোইবা মীৎকুপ্তা মণিপুরী মচা থোকচোম অনুরাধা দেবিনা ন্যু জিলেন্দগী দিফেন্দর অহুম লাম্থোক্তুনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচ অদু ১-৪ দা মায়থিখি।

# আই পি এল নাইনদা চাহল খ্বাইদগী ফজবা নহা ওইবা টেলেন্ট লৈবা শান্নরোইনি ঃ গবাস্কর


ন্যু দিল্লি, মে ৩১ ঃ

সনরাইজর্স হায়দরবাদনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়ান প্রেমির লীগকী টাইটল লৌবা লোইখ্রবা মতুং মমাঙদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরম্লবা সুনিল গবাস্করনা ফোঙদোকখিবদা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী নহা ওইরিবা বোল্লর যুজবেন্দ্র চাহলনা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা খ্বাইদগী নহা ওইবা টেলেন্ট লৈবা শান্নরোইনি হায়খ্রে।

পনবা য়াবদি যুজবেন্দ্র চাহলনা পুন্না আই পি এল মেটচ ১৩ পুন্নাশান্নখিবা বোল্লর অমা ওইনা মায়োক্নবা টিমগী বেটসমেন ২১ আওট তাহনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা সনরাইজর্সকী বোল্লর ভুবনেশ্বর কুমারনা মেটচ ১৭ তা ৱিকেট ২৩ লৌদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইরগা চাহলনা অনীশুবা পোজিসন তাখিবনি।

গবাস্করনা ফোঙদোকখিবদা চাহলনা লংবা বোল অদু বেটসমেন অদু কিদনা লংবা ঙম্বগী শক্তি লৈ হায়খি।




Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*